# ‘মীহুৎশিংগী থৌনা ফূদোকপা’

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র



ইরমদম মণিপুরসিদা করম্বা মতমদা তংদু লৈতাবা পূন্সি মরেল অমদা মীচম মীয়ামসি হিংবা ফংলক্কনি হায়বা ঙমদনা লৈরি। কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনখিবা লানসি হেক হৌরকপদগী অসুক শাংলবা চহী অনী হেনখ্রবা মতমসি ফাওবদা করিগুম্বা মখলগী ঈরাংসি মতম চূপ্পগী ওইনা লোইশিন্নবগী খোঙথাং ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎলকপা উদ্রি। হৌগৎলকপা মতমদা কুকি টেররিষ্টশিংনা মখোয়না নম্না খুন্দাবা মফমশিংদগী মীতৈ খুল্লক তম্না নোংমৈ, বোম কাপথরক্তুনা মীতৈশিংদা এটেক তৌবদুবুদি ফখ্রে। কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপ্পা লেপখিবগী মরমসু অদুমক লৈগনি। অদুগা নোংমৈ কাপহনবা লেপহনবা ঙল্লিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা লানগী ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা অসুম শাংথনা লৈবগী মরমসু লৈগনি। অসিগুম্বা ফীভম অমদা সুম শাংথনা লৈবসিনা ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগী পূন্সিনা করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মতম খরা কাইথোক্তুনা করিসু খন্নদে। লানসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা কোক থাদদে হায়বসি মখোয়না তৌথোরক্লিবা মতৌসিনা অদুমক উৎলি।

মীওইবা ঐখোয়সি ইশানা শৃজ-নোমজরগা মীগী মীখা পোন্দনা হিংবা পূন্সিসিমুক নুংঙাইবা লৈবা নত্তে। ইশাগী পোক্লফম হৌরকফম হায়বসিসু য়াম্না নুংশি। অরাপ্পা মফম অমদা চৎলবসু ফনা নুংঙাইনা লৈরবসু ইশাগী ইয়ূম লমদম অদুমক নীংশিংই। ঐগা শাগোন্নদুনা হিংমিন্নরিবা চীং-পাৎ, তুরেল কাউবা ঙমদে। মরুপ-মপাং ইখুঙ্গংগী অহল-লমনশিং নীংশিংই। হায়রিবা পূন্সিগী শাগোন্নরিবা পূম্নমকসি লোইনা কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা মীতৈদা লান্দাদুনা থোকহনবা লানসিনা কায়হল্লবনি। অমুকসু লানসিনা হৌরকপা মতমদদি থুনমক ৱারোইশিন লাক্তুনা তংদু লৈতাবা থুনা হঞ্জিনগদবা মানখি। অদুবু পূম্নমক তায়োন্নরে। মীওইবা হায়বসি মখোয়সু মানা মানা ঙম্না ঙম্নবা হিংনবনিনা কনানা কনাদা কুইনা তেংবাঙবা ঙমগনি। অমুকসু লায়রবা অমবু ইনাকখুনবা তরানা শৌগৎপীবা ঙমদে হায়নরিবনি, পূম্নমক মতমগী ঈচেলদা তিনখি। অসুম অসুম চেন্থখি। নুংঙাই য়াইফবা য়াইতোং ফমদোংবা কনানদি হৌজিকসিবু লাঞ্জেন্নরিবা, মী লৈনরিব্রা হায়না শুক্লিং নীংশিংদবসু য়াওরমগনি। মরকসিদনি লানগী মৈশা লাংলবা মশাগী মরমদমদা মশাগী য়ূম্ফমদা হঞ্জিন্দুনা তংদু লৈতানা মহৌশাগুম পূন্সি লেঞ্জবা ঙমদ্রবশিংনা হিংবগী ৱাহন্থোক য়াওদনা হিংলিবসি।

“অচুম্বতনা জয় ওই’ হায়বসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা শাগৎখিবা ইন্দিয়াগী গনতন্ত্রগী লৈঙাক্লি। ইন্দিয়াগী নীংতম লানফমদা ইচং থৌবা মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইখিবা ঙসি ‘জাতিগী মপানি’ হায়না শীংথানরিবা মহাত্মা গান্ধীজিনা বৃটিশকী মথক্তা শীজিন্নখিবা ‘সত্যগ্রহ’ গী খূৎলায় অহিংসা নীতিদা য়ূম্ফম ওইবনি। ঙসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরিবা মণিপুরদদি অচুম্বা পূম্নমক মাঙখ্রে। মহাত্মা গান্ধীজিগী অহিংসা নীতিবু ফাগি তাহল্লে। অসুক শাংলবা চহী অনী হেনখ্রবা কুকি টেররিষ্টশিংনা থোকহনবা লানসিগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৱাফম অমত্তসু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিদে। নোংমগী মনুংদা পুং খরদং কাইথোক্তুনা মণিপুরদা থোক্লিবা লানসিগী মতাংদা হকথেংননা য়েংশিল্লবসু তৌখিদে। টেররিজম লৈহল্লোই হায়না মখৌ পোঙনা লাউখিবা বি জে পিনা লুচিংলিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক অসিনা টেররিজম য়োকখৎলিব্রা হায়বগী ৱাফমসু লাক্লি। মরমদি কুকি খূৎলায় পায়বা ওর্গনাইজেশনশিংনা তমথীখ্রবা টেররিষ্ট এটেক কয়া মীতৈ মীচমগী মথক্তা চখ্খ্রবসু ঙসিসু অদুগুম্বা কুকিগী ওর্গনাইজেশনশিং অদুবু লিগেল্লি টেররিষ্ট ওর্গনাইজেশননি হায়না লাউথোক্ত্রি, অঙকপনি।

মীতৈ মীয়ামদি শান্তি / তংদু লৈতানা হিংবা পূন্সি মরেল পাম্মী। ঙসিগী মালেমগী ওল্লক্লিবা য়াওলদা য়াওদুনা মকোক থোংবা মণিপুর অমা, ইন্দিয়া অমা ওইহন্নীংই। মদু পূম্নমক্তু কুকি টেররিষ্টশিংনা য়ৈখাইবা পীরিবনি। মণিপুরবু থুগায়বা পাল্লিবনি। “সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন’ মসিগী নুংগী ৱাহন্থোকপু করিনো? তোঙানবা লৈবাক শেমগে হায়বনি। অদুগুম্বা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরকপদু থিংনবা তঙাইফদনা মীতৈ নহা কয়ামা খূৎতা খূৎলায় পায়দুনা লানফমদা থোরক্তুনা য়েক্লবা কুকি টেররিষ্টশিংগা লাম্বানখিবনি। মখোয়দি শেল পায়। কদাইদগী ? দ্রগকী করবার চাউনা তৌদুনা শেঞ্জাও তানশিল্লি। মখোয়দুনা মায়োক্লবা ঙম্নবনি ঐখোয়না উনখিবা পুলিসকী বট্টালিয়নশিং, ষ্টেশনশিংদগী খূৎলায় লৌবগী থৌদোক কয়া উনখিবদু। পূম্নমক্তু প্রসিদেন্টস রুল লাকপদগীদি লৌখিবা খূৎলায়শিং চীং অমসুং তম্পাক্কী মরী লৈনবশিংদা লৈঙাক্তা পীখৎলক্লো হায়বদগী তম্পাক্তগীদি শিং নান্না পীখৎখ্রে। অদুগা চীংগী হায়বদি কুকিশিংগী মায়কৈদগী মমিংতগী ওইনা খরখক পীখৎলগা অদুম্মক তোকখ্রে। মখোয়গী মরক্তদি ইফোং ফোংনা খূৎলায় পীখৎলোইসু হায়খি। পূম্নমকসিনি ঐখোয়না উনখিবসি।

শাংলবা চহী অনী হেনখ্রবা ঈরাংসিনা হৌরকখিবগী মতমসিদা ঐখোয়না অদুমক উদুনতা লাক্লিবসি তম্পাক্কী লমদা মীতৈশিংগী মায়কৈদগী করিগুম্বা পেন্দবা অমা হেক ফোঙদোক্লবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী আইরন হেন্দ শীজিন্নদুনা নমথবা মসিনি। অদুগা কুকি টেররিষ্টশিং অমদি ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেশনশিংনা ইন্দিয়াগী আইনবু শীংনদুনা তৌনীংবা তৌবদা করিসু তৌদনা তূমিন্না লৈথোকপা অসিনি। কুকিশিংনা তৌবদনা য়াবা, মীতৈশিংনা করিগুম্বা অমা তৌবদনা অকন-অরিং শীংবা লৈঙাক্কী থৌওং অসিবু করম্বা থৌওংনো। প্রসিদেন্টস রুলগী মমাঙদা লৈরম্বা ষ্টেট লৈঙাক্তুনা অমুক্তোইবা মীতৈ মীচমদা ফখিবা থৌনাদি অঙকপনি। অদুগা অমুক হৌজিক লৈঙাক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলসিনা লমদমসিদা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎতুনা লমদমসিদা তংদু লৈতাবা পুরক্লবা হোৎনরিবগে, ইউ উদে। চহীসিগী মার্চ ৮দা ফ্রী মুভমেন্ট ওইহল্লগনি লাউথোকখিবদু হোম মিনিষ্ট্রিগী ৱাফম থৌওইদনা কাংপোকপীদা মীতৈ চৎপা য়ারোই হায়না থিংখিবদু নমখায়দুনা ফ্রী মুভমেন্ট ওইহনবসু ঙমখিদে। প্রসিদেন্টস রুলনা কুকি খূৎপু খরদুবু থেংনবা ঙমখিদে। অদুগা কুইখিদ্রিবদা হন্দক্কী শিরুই লিলী ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী পাউ লৌবা চৎপা পাউমীশিংনা তোংবা গাড়ীদা মণিপুর থাবা য়ারোই হায়বগী ৱাথোক/মখোয় মশেল মনুংদা লৌতুনবা অমা ইয়াওতা য়াওরি।

লোইশিল্লকপদা চহী অনী হেনখ্রবা কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা লান্দাদুনা নমদুনা থোকহনখিবা লান ঙসিসু লোইদ্রি। হৌরকপদা উখিবা মশক্তু শক্লোন হোংখিবগী ৱাতনি। মালেমগী সুপর পৱার ওইগনি হায়দুনা লমজেল য়াওরিবা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টরমক্কী ফ্রী মুভমেন্ট ওইহল্লু হায়বা ৱাফম ফাওবা কুকি টেররিষ্টশিংনা মনীংদা লেপ্তুনা লৈরিবা কুকি ওর্গনাইজেশনশিংনা শীংনদুনা মখোয়না ঙল্লি। মখোয়গী য়াকা ইন্দুনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা চৎলি। প্রসিদেন্টস রুলনা মীয়ামগী তংদু লৈতাবা পুরক্লবগী লম্বী করিসু য়াৎপা উদে। মতাংসিদনি মণিপুরগী লাইবক্তি মণিপুরীশিংনা লেপচগদবনি হায়বসি নৌহৌনা অমুক পঞ্জরক্লিবসি। ঐখোয় মীয়াম্না খনখিবা মীহুৎশিং অঙম্বা থৌনা ফূদোক্তুনা মণিপুরগী লাইবক লেপ্পনবা অঙম্বা থৌদাং লৌবগী মতম থেংমল্লে হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# নুংশিৎসে পোদোনবুনা মুখৎলি, লানমৈবুনা মপাঙ্গল হাপকৎলি

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



ওইদবা অমা ঙাঙলুরবদি ওইদবা চাম্মা ঙাঙলবসু পুমচুম চুমথোকপদি হেক ঙমগন্দে। ৱাফম অসি খল্লুবগী মরমদি লমদম অসিদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি ওইদবা মরোল মরোলনা চীংদৌনা ৱাংনা পৈখৎলকপগুম উরি। কাশ্মীরদা টেররিষ্টকী থৌওং পুং ২৪গী মনুংদা থৌওং অদু য়াদে খঙহল্লি। ছটিশগরগুম্বা খুন্নাইগী মায়োক্তা য়ৈখাই থিনগাইবা পাম্বশিং নুংতি নুমিৎ খুদিংগী মশীং য়াম্না য়াম্না মূখৎপগী পাউ ময়েক শেংনা শেংনা তাবা ফংমিন্নে। কুমজা ২০২৬ ফাওবদা ইন্দিয়াদগী লৈবাক্কী মায়োক্তা লৈবশিং মরূ ফংনা মূখৎকনি হায়রি। কুমজা ২০৪৭তা মালেমদা মপূং ফানা চাওখৎলবা (বিক্সিট ভারত) ওইহনগনি হায়বগী পান্দম থল্লি। ৱাফমশিং অসিগী ওন্ন-তৈনবদা মণিপুরদা ৱাথোক মরোল মরোল শেমদুনা মীয়াম অসি কংফান মথক্তা লংখৎলবা ঙাগুম্না হিংহল্লি। লমদমসিগী ফত্তবা তৌবশিংবু লোইনা তিন্নরগা ঈংনা তপ্না হিংজনীংবা মীওই কয়াবু মখে ফংনা অৱাবা পীরি। সোশল মীদিয়াদা ইফোং ফোংনা উরিবা টেররিষ্টশিং অসিবু ইচম চম্বা ভিলেজ (খুল) ঙাকপশিংনি হায়না চুমদবা ৱা ময়াম অমা ঙাঙলি। কাঙলূপ অনী য়াশিন্নবা কন্না হোৎনরি হায়রি। কাঙলূপ অনী হায়রিবসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীরমদগী লোন্না চঙলকখিবা অয়োকপা টেররিষ্টশিংগনি হায়বগী মহুত্তা ঈংনা হিংজনীংবা, চাওখৎপা পামজবা, পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন লৈজবা ‘লোং লিভ মণিপুর’ হায়না লাউজরিবা কাঙবুবু লানবা তাহন্নবা লৈঙাক্কী মনুং মপান অনীমক্লা ওইদবা থৌশিল থৌরাং কয়া তৌরি। কলচরদা য়ূম্ফম ওইনা শেমগৎচরিবা য়েলহৌ খুন্নাই অসিনা পোদোনগী মশক ওইহল্লি। মাঙহন তাকহনবদা য়ূম্ফম ওইবা, মীগী য়ূম্ফমদা শৈদাংলরিবা, খূৎলায় অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা মপাঙ্গল ওইরিবা কাঙবুবুনা লৈঙাক অসিনা শেন্দোং য়েন্নরি হায়বগী থৌওংদা য়োকখৎলি। নুপী অঙাং খাক্তনা হাৎলিবা মীনুংশি মচেৎ অমত্তা পক্ত্রবা ‘সূ’ গী ছো হাংলগা মনীং তৌরিবশিংবু খুল ঙাকপা মীচম ওইনা উহন্নবা হোৎনরি। থৌওং অসিনি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নুংশিৎকী মশক লৌদুনা কলচর তৌরবা মৈঙান পীবা পোদোনবুনা মূখৎনবা হোৎনবনি অদুগা মাঙহন তাকহল্লিবা লানমৈদনা মপাঙ্গল হাপ্পী।

হৌজিক মণিপুর সেন্টর লৈঙাক্কী মখাদা লৈ। হান্নদি মীহুৎকী লৈঙাক মতমদা তৌবা ঙমদবা কয়া মীহুৎকী লৈঙাক্লা শোনবগীনি লৌনখি। ঐখোয়না ইশা ইশাসি য়োল্লগা ওইহনখিবা মীহুৎশিংদা ওনশিনফম থোক্তবদা ওনশিনখি। মীয়ামসিনা লাউ খোঙখিবদো ঙায়োনবীগী দ্রম মনুংদা ফ্রং ফ্রং চোংলিবা হাৎতনা ফাখ্রবা, করম্বা চাকখুমদা থুংলুগদৌবনো খঙদ্রবা ঙাগী মতৌনি ঐখোয় কনানসু খন্নবীবা নত্তে। মসিগী মান্নবা ইক্কেশন অমা ওইনা য়েংবীয়ু। ঙসিগী মীহুৎশিং অসিসু সেন্টরদা য়োনখ্রবনি। ঐখোয়গী মীকপ মীরাওখোল মীহুৎনা পাউখুম পীবা তৌদবগুম লমদমসিগী মীহুৎকী খোল্লাও সেন্টরনা পীবা তৌরোই। মরমদি ঙসিগী মীহুৎশিং অসিসু সেন্টরগী তুমগোন্দা হাপখ্রবা, ফ্রং ফ্রং চোংজরিবা, ঙা মপুদুনা তাবীবা লৈররোইদবা ঙাদুনি। মীহুৎকী লৈঙাক মতমদা লম্বী চৎপা ঙমদে। সেন্টরগী লৈঙাক মতমসিদসু অন্ধা অদুম ওইরি। ষ্টেটকী মমিং ফাওবা লম্বীদা ইফোং ফোংনা সেন্টরগী সিফাইনা মূখৎলি। মসিগী ইন্টরেষ্ট করিনো পাউখুম লৈরোই। পাউখুম পীনীংলগা পীগনি। পীনীংদ্রগা তোক্কনি। ৱা ঙাঙনীংলগা ঙাঙগনি, ঙাঙনীংদ্রগা তোক্কনি। সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর পুমতোয় তোয়রে হায়বফাও লৈখি। ওর্দর য়াওদবা লো চয়োম কোল্লগা অহুমশুবা মালেমগী লাঞ্জাও থেংনবা য়ারবা লাম্মী মপৈনা ষ্টেটসিগী মফম খুদিংদা শৌগ্রী হৌবগুম হৌরি। ক্যবাদা ডাক্তর অমনা মীওই অহুম/অহুম লায়েংনবা থুংনৈ হায়বা তাখি। লমদমসিদা সিফাই অমনা মীওই অমমম লেংবা ওৎপা য়ারোই হায়বগী মতৌদা থুংলি। মে ৩, ২০২৩দগী তাখিবা নোংমৈ মখোলদো টেররিষ্টশিংদখক্কীরা নৎত্রগা মীয়াম ঙাক শেন্নবা লাক্লিবা সিফাই খরদগীসু য়াওব্রা হায়বসি পাউখুন্বুদি লৈরোইদবা মী খুদিংনা হংফম থোকপা ৱাহংদুদি ওইরি। ঐখোয়সি করম্বা লৈবাক্কী সিটিজননো হংলক্লবদি ঐখোয়না পীগদবা পাউখুমসি চুমগদৌবা মাল্লক্ত্রে। লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্লিবা অমদি লৈবাকসিগী শক্তম ঙাকপগী থৌদাং লৌরিবা লমদম অসিগী মীয়ামসে মথৌদি লৈজদ্রগা খল্লমগদ্রা হায়বসিসু তোয়না খলহনবা মাল্লকই।

ঙসি ঐখোয়না তোয়না তাবা ফংজরিবা হায়ববু হৌজিক্কী ঈরাংসি হান্নগী লৈঙাক্লা শোয়রম্বগীনি। হান্নগী লৈঙাক পায়রম্বশিংনা অমুক হায়রিবনা হৌজিক্কী লৈঙাক অসিনা লৈবাক ঙাকপা হৈতবগীনি। হায়নরিবা পূম্নমক অসিগী ফংলিবা ফলদি মীয়ামগী মরাইবক্তনি। ঈচেল অসি মমৈসু মকোকসু ইমান মান্নবা তিনবুন নাবুন ওইনা উরি। পৌরাংখোক্তগী খুদৈ লৌশিনবা নংদবগী মীশিসু শিনরি। খূৎনা পায়বা কলম অমনা চেদা ইদুনা থম্বা মীগী মমিং পরেং ফৎ ফৎ ককথৎপগুম মাঙখিবা মশীং য়ামখৎলি। মীকপ মীরাওখোলনা নুংশিবা ঈশৈগী মহুৎ শিল্লি। কুম্মৈ ফিয়োং কয়া জেনরেল ষ্ট্রাইক্লা মহুৎ শিল্লি। পুঙ, করতানগী মখোলবু য়োৎলি মখোং খিংবগী মখোলনা মহুৎ শিল্লি। ৱাথোক পূম্নমক্কী চৈথেংনা লায়রবা মীয়ামগী শরুক ওইরি। স্কুল তল্লিঙৈদা নীরগা থৌরম পাঙথোকপা তম্বীখিবা, ফিরাল মচা পায়রগা লম্বী লমজাওদা নিবা তম্বীখিবা মহৈরোয়শিংনা নিবা ফংনবা লুচিংবা ওইনরকপগী মশক তরং তরং উরি। বন্দ/জেনরেল ষ্ট্রাইক নত্তবা অতৈ ঈহৌগী মওং হৈতবনা ঈহৌ তৌবদা মুক হাজিন্নরকই। পোক্লেইম শীজিন্নরগা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌবা, ফিডৌ শেৎপা, লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা মীওই ফাওবা থিংবা য়াওরকই। বন্দবু থৌগল্লোন মচেৎ অমফাওবা মশাদা চেল্লিবা ঈদা য়াওদ্রবা, খুদোংচাবা লৌবা, লান চঙলগা মীগী সিলিন্দর থাংনবা হোৎনবা মীওইশিংনা ঈহৌ পূম্নমক মশক থীহল্লি। মসিনা ইচম চম্বা লীলা অমদি নত্তে। থোকহনবা য়াওনা থোকহনবা নিংথিনা শেল্লবা শকউদবা অমনা অমদা চীংনবা পোকহনবা, থাজনবা হায়বদু পুমথু থুগাইরিবা লৌতুনবগী খম থেংবা মীৎকুপ অদুনি।

চেকশিনহৌদবদগী ইরাক্লগদৌরিবসে ঈশিং য়ৌরবা মীয়াম ঐখোয়নি। তোর্ব্বান্দা ওর্দর পীরক্ত্রি হায়রগা য়েংলিবশিংনা ঈরাক্লরিবা মীয়াম্বু চিংখৎপীবা ঙাইগুমসি। অফংবা তিংথৌ মরা অমত্তসু পায়রগা য়ানবা হৈবীয়ু। ফ্রেমনা ফারগা থম্বখক্তা ঙাইরবা ময়ি চৎলিবা মিংশেলগুল্লবা য়েলহৌগী খুন্নাই অসি ময়েক শেংনা খঙমিন্নরসি। অকোয়বদা ফাজিল্লিবা ফ্রেম অসিনা মখোয়গা লীলা শান্নমিন্নরিবা য়োৎপীশিং অসিগা য়ানরক্তবা মতমদা মচোই মচোই কিন্থখিগদৌরিবসি ময়ায়গী ময়ি চৎলবা য়েলহৌ মিংশেল অসিনি। ঐখোয় মশেল হাত্তোক্লবগী ৱাখল থাদোক্লরসি। ঈহৌবু ফেষ্টিবেল ওন্থোক্লগুমসি। ঈহৌদা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরগুমসি। অমুকসু নীংশিংজরি হুম্লক্লিবা নুংশিৎ অসিনা কলচর য়াওনা থাল্লিবা পোদোনগী মঙালবুদি ইরায় লায়না মূখৎপা ঙম্মী। অদুবু মাঙহনবা তাকহনবা ঙম্বা লান্মৈ অসিদা হৌজিকসু পাঙ্গল হাপ্লি। ইমা লৈবাক্লা য়াইফরে। ●

# মীখলগী মীহুৎ খনবা হৈসি

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

মণিপুর অপীকপা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমনি, লম পীকপদা নত্তনা মীশিংসু য়ামদে। মণিপুর ষ্টেট অসিদা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ফাওবা সিট অনী খক্তনি। মসিনা মরম ওইদুনা নেশনল পোলিটিক্সতা মণিপুর মচাশিংনা মফম চানা ফিদা ঙসি ফাওবদা কনবা ঙমদ্রি। ষ্টেট মিনিষ্টর ওইনা আর কে জয়চন্দ্র, মৈজিংলু কামশোন, টি ঐচ চাউবা অমসুং আর কে রঞ্জন অসিদনি। কেবিনেট অমদি পোলিটিকেল হেভি ৱেট ওইবগী খোঙ থাংজিনবা অসিদি ঐখোয়গী মীনা শোনবগীরা নৎত্রগা ঈশিং অচৌবগী মীওইনা মশীং য়াম্মনবদগী ঈশিং মচাগী মীওইশিংবু মীরাইবরা মদুদি ওইনীংবা ওইজরসনু। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুন্দুনা লৈরকপা চহী ৭৬ মপূং ফারক্কদৌরে চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর ১৫দদি চহী ৭৬ চপ চানা মপূং ফারগনি। ঐখোয়গী মতিং মথৌনা ফরবা, হৈ-শিংলবা, লাইরিক-লাইশু হৈরবা মহৈরোয় কয়া, শান্নরোয় কয়া, কলচরগী আর্টিষ্ট কয়া, থিএটরগী শক্লাইরবা কয়ানা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমসিদা চীংনা ইকোয় কোয়শিনবা চীংলৈবাক মণিপুর লৈ হায়বা তাদবা কয়া তাহল্লবনি, খঙলমদবা কয়া খঙহল্লবনি, উদবা কয়া উহল্লবনি। তাশিন্নদবা, খঙশিন্নদবা, উশিন্নদবা অদুদি মমিৎ লাউবা, মনাতোন চাউবা, মরৌ লৈবশিংগী মচৎনি।

পাক চাউরবা ইন্দিয়াগী মীশিং য়াল্লবা মণিপুরীশিংনা মীশিং য়ামজদ্রবসু হিংফম থোকপা, লৈফম থোকপা, ৱাকৎফম থোকপা থেংনরিবা, মায়োক্লরিবা খুদিংমক্কী ৱাফমদি মতম চানা চানা ৱাগী ৱারোইশিন থম্বীফম থোকই। ৱাথোক খুদিংমক নমশিন্দুনা থৈদোক্তুনা থম্বনা অফবা খক ওইরক্লোই। মচা মশু ওইবশিংনা মমা-মপা, অহল-লমনশিংগী মফমদা তৌহন্নীংবা থবক তৌবীফম থোকপা, ফংফম থোকপা চাকথুং থুংলক্তবগী, তৌবীরক্তবগী, তাবীরক্তবগী নিঙাই তৌবা হায়বা অসিদি মীওইবা খুন্নাই অমা লীংবশিংগী মচৎ অমনি। চাক লাম্মী হায়রগা লীচৈনা কনশিল্লগা নীংঙাই ফবা য়ারোই। গর্দিয়ান অমা ওইনা লৈঙাক্কী লুচিংবা অমা ওইনা ঐখোয়না মখোয়গী ফংফম থোকপা ফংহল্লবরা, পীফম থোকপা পীরবরা, ওইফম থোকপা ওইহল্লবরা হায়বসু খন্থবা তৌদনা শক্তিনা নমশিন্দুনা নেৎশিন্দুনা থমগনি হায়বসু অফবা খোঙথাং ওইফম থোক্তবরা খল্লি।

ঐখোয় মীওইবনা মীয়াম মরক্তা লৈমিন্নরিবা, হিংমিন্নরিবা পূম্নমক মাগী মাগী হক তানবা হায়বা অসিদি তানফম থোকপনি। মশাগী চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারী লৈজরক্লবা নাগা মীতৈ অনীমক মান্নবা থাক্কী সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইনা হিংমিন্নগে, লৈমিন্নগে হায়বা ৱাকৎ অসিদা লৈঙাক্লা থৈদোক থৈজিনদুনা মতম য়ৈথোক য়ৈথোক্তুনা থম্বা চহী অনী হেন্না কৈবুল চন্দুনা থল্লবা মীতৈশিংবু করম্বা মওংদা লৈঙাক্লা য়েংলিবা, মীওই কয়াগী ময়ূম মকৈ তুম্না মৈ থাদুনা মাঙহন তাকহনবীরে। লৈফম লৈত্রে, চাফম খঙদ্রে, মীওই কয়াগী পূন্সি মাঙখ্রে, কয়া অমনা মফম মরাং খঙদনা শরূ মচেৎ অমা ফাওবা থিবা খঙদনা লৈখ্রে। থা ৮গী অঙাং ফাওবা উকোক-ৱাকোক, য়োৎ-থাঙ শীজিন্নদুনা পূন্সি লোইহনবীখ্রে। য়েংহৈদ্রবা, উহৈদ্রবা উপদ্রোপ হায়বদু ঙসি চহী অনী হেন্না ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না থেংনরবনি। মীতৈনা কনাদা করি হায়বগী করি তৌরুবগী অসিগুম্বা মীওইবা খুন্নাইনা চৎহৈদবা লমচৎ শাজৎ অসি কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা চখ্খবদা চহী ২ হেন্না শাংলবা মতম অসিদা মীতৈনা ষ্টেট অসিগী মনুংদা মনীং তম্না অকি তুজুং য়াওদনা চৎপা ঙমদ্রিবা অসিবু করম্বা লৈঙাকলোনগী মখাদা ঐখোয় মীতৈ হিংলিবগে।

লল্লোন ইতিক য়াদ্রে, শূফম নোম্ফম খঙহন্দ্রে, শেল তানফম খঙহন্দ্রে। মাগী মাগী শিনফম শিনফমগী মতুংইন্না মানা মানা শূজরম্বা শিনফম অদুনা শেল তানফম ওইরম্বনি। খুদম ওইনা মোরেদগী পোৎ ইম্ফালদা পুথোরকপা, ইম্ফাল অমদি মণিপুর তম্পাক্কী মনা-মশিং কয়া মোরেদা পুশিন্দুনা তিকপা-য়োনবগী থবক কয়া লেপখ্রে। মরু ওইনা মীতৈশিং নার্কো কুকি টেররিষ্ট নত্তবা মখোয়গী নোংমৈ চিন্দোনদা হোইদুনা পুবা ১৮৩০/৪০ অদুৱাইদগী মণিপুরদা খুন্দাদুনা লৈরক্লবা মীচম কয়া অমসু মণিপুর তম্পাক্কী মফমদা মাগী মাগী শিল্লম শিন্থা তৌদুনা শেন্দান লম্বী কয়া অমসু থদৎপীরিবনি। কুকি খুদিংমক নার্কো টেররিষ্টমক্তি ওইরল্লোই, ওইফমসু থোক্তে। মরমদি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ধর্ম্ম অমা ওইরিবা খৃষ্টিয়ান লাইনীং লাইশোনবশিংনা মী হাৎলু, মীগী ময়ূম মৈ থাদোকউ, মরল-মথুম হুরান্দুনা পুরকউ হায়বা ৱাহৈ অমা ফাওবা লৈবাক মচা তাবা ধর্ম্ম লৈবা কুকিশিংদগী থোরক্লল্লোই। মসিনা মরম ওইদুনা অসিগুম্বা ঈরাং অসি শাগৎলগা ষ্টেট অসিদা দিসওর্দর থোক্লিবসি মখোয়দসু শোয়দনা ফাওরমগনি। মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইনবা মীখল থেংনরগা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরবা ষ্টেট অসিগী লৈবাক অসিগী সম্বিধাননা পীরিবা চৎন কাঙলোন খুদিংমক ঙাক্লা চৎকনি হায়দুনা ঈশ্বরগী মমিং পন্দুনা ৱাশক্লগা ষ্টেট এসেমব্লিগী মেম্বর ওইখ্রবনি। মসিদা মীয়াম্না সম্বিধানবু ইকায়খুম্নবা থবক খুদিংমক পায়খৎলক্কনি হায়বা অসি ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অচেৎপা থাজবনি।

ঙসিদি করি থোক্লে, কাং-খোং চাইরে, লৈতাফম খঙদ্রে। কুমজা ২০২২দা মীয়াম্না নখোয় ৬০বু লৈবাক ঙাকউ, লন-থুম কল্লু, মীয়ামগী পূন্সি ঙাক শেল্লু, মথৌ তাবা শেমগৎ শাগৎপা খুদিংমক মফম মতম চানা তৌরকপা অদুদা খূবাক খুদুনা হরাও নুংঙাইবদু পাম্বা ঙাক্তনি। মদুদা হরাওরোইদৌবা, শাওনীংগদৌবা মীদি সমাজগী মায়োক্তা লৈবা মীওই খুজোক খরগী ৱানি। লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা অফবা থবকপু তরাম্না ওক্লবা ঙাক্তনি। অফোংবনা অরোনবা ওইরবা, অরানবনা অচুম্বা ওইনা হ্বাইট পেপর ওইনা পুথোকপা অসিগী য়াম্না চাউবা অশোয়বা য়াওদবা নত্তে। ষ্টেট অসিগী পাঙথোকখিবা ২০২২গী মীখল অদুদা ইন্দিয়াগী ইলেক্সন কম্মিশনগী ষ্টেন্দিং ওর্দর অমগী মতুংইন্না মীখলগী চাকচা-হৈজানবা, চাক খাংবা, কুম্মৈ-ফিয়োং, লম কোয়হনবা, ভোটরশিংদা শেল য়েনবা অমত্তা য়াদে। মসিননি মীখলগী মীটিং পাঙথোকপা ফাওবা মশীং কয়া পাঙথোকই, চৌক্রি কয়া থাই, মীটিং য়াওবা/তাবা লাক্লিবশিংদা চা কয়া পীথকই, অচাপেৎ কয়া পীজবগী এক্সপেন্দিচর ফাওবা বাকি-সিকি চপখৎলিবনি। ফজবা ৱাফম চৎনবী অমগী মখাদা অথিংবা থম্বসু তঙাইফদে নৎত্রবদি মীখল হেক লাউথোকপদগী মীখলগী নুমিৎ অদু ফাওবদা মী মখল মখল কয়ানি লম্বী সড়ক অমদি লৈরক খুল্লক অসিদা থেংনরিবা, উরিবা অসি।

দেমোক্রেসিগী অশেংবা ৱাহন্থোক ঙাক্লা চৎপা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌগদৌবা ঐগী-ঐগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অদুগী মতিক চাবা মী খঞ্জহৌরো হায়দুনা কন্সটিট্যুশননা পীরিবা তাঞ্জানি। মদুবু ঐখোয়গী ষ্টেট অসিগী মীয়াম/ইলেক্টরশিংনা য়াম্না মুন্না ৱাখল খনবা তঙাইফদে। ঐখোয় ঐখোয়না মীখলগী মতমদা মীরেপশিং অমদি তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয়না মায় পাক্লবা হোৎনবা মতমদা থাকপা লাং, চোপ্পকপা খোয়দগী থুদনবা হোৎনবীগদৌবনি নৎত্রগদি ষণ থৎলুচো থাখ্রগা ষণগী মচিনা মবুক হোহনবা মীহুৎ থারবদি ঙসি মণিপুর ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি ঐখোয় ঐখোয়না মীখলগী মীরেপশিংগী মনুংদগী মীহুৎ খনবা মতমদা থারকপা মিত্রংদুগী লাংদা থুখিবদগী থোরকপা ঙাক্তনি।

লমদম অসিগী ইমা ইবেল, ইচে ইচল কয়ানা অমদি ইরৈবাক ইরমদম কন্দবা য়াদে হায়দুনা চোংথোরক্লিবা পাথৌ পূম্নমক্লা থেংনরিবা, মায়োক্লরিবা কয়া অসি করিনা ওইহল্লকপনো, করিদগী থোরকপনো হায়বদু লেমলৈ ঙানা ৱা ঙাঙগে তৌবদা ঈশিংনা পল্লি হায়বগুম শক্তি অমদি শেঞ্জাও পায়বা কয়ানা চিন ফোৎচিনবীরবা খোঙ-খূৎ পুনশিনবীরবা খুন্নাই অসিগী মীয়াম্নি। লায়রবা শেন্থোক লম্বী ৱাৎপা মীচম মীয়াম্না মীশিং য়াম্বা ষ্টেট মণিপুরনি হায়বা অসিদি খরদং খন্থবা ঙম্বা মীওই খুদিংমক্লা খঙনরবা ৱাফম্নি। মীখল মতমদা থাক্লিবা লাং, চোপ্লিবা খোয়গীদা থুরিবা মীগী মশীংনা য়াম্মী। মীখল মতমদা কনা কনাগুম্বা অমগী মফমদগী শেল লৌবা চৎপা অমদি পীরকপা লৌদবা মীগী মশীংনা চাং য়াম্না নেম্মী। ঙসিগী মণিপুর লায়রবা শেন্থোক লম্বী ৱাৎপগী চাং য়াম্না ৱাংই। নোংম-নোংমগী শূ-নোমদুনা তাল্লকপা, ফংলকপা শেলনা চেঙ, ফৌ ৱানদুনা হিংবা মীগী মশীংনা য়াম্বা ষ্টেটনি। মসিমক্লা মীখল মতমদা কনানা কনানো, করম্বা মখলগী মীনো, মীয়ামগী লৈবাক্কী থোরকপা থৌদোক ৱাথোকশিংদা মায়পুননা মায়রোং য়াবা ঙমগদরা, ঙল্লোইদরা হায়বা খন্থহৌদবা মিকুপ অদুগী ওমশিন্দুনা থমখিবা অমোৎ অকায় ময়ামদুনা চাক্লকপা মৈখুগী মরম-মরম য়ৈরকপদা মিৎ থুপ্পা, চাকখৎলকপা মৈরিগী মৈশা লাংবা তাবনি।

মীখল মতমগী য়েল্লকপা শেল ওইনীংবা পোলিটিকেল পার্টিসু ওইসনু চা গ্লাস অমা থক্লুদনা, চাক-চা হৈজাবা য়াওদনা কনানা কনানো খঙনা মীহুৎ খনবগী হৈনবী থমসি। ঐগী ঐগী হক অদু য়োন্থোকপা অফবা খোঙথাং নত্তে। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা লাঞ্জদ্রবা নুপী অঙাং, অহল লমন কয়া মীহাৎ মীপূন, লন-থুম কয়া মাঙহন তাকহল্লিবা পূম্নমক মীখল মতমদা মীহুৎ খনবা হৈহৌদবদগী ঐখোয় ঐখোয়গী অমদি ইমুংগী মীওই লিশীং লিশীংনা অৱাবা মায়োক্লবনি। শক্তি পায়বা শেঞ্জাও পায়বা কয়াদি হিরি কোন্দুনা সনাগী জল্লিকানুংদা মোন্তেক মোন্দুম থক্তা য়াতারি। পূম্নমক্কী অরোইবদা ‘মীখলগী মীহুৎ খনবা হৈসি’। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৌবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।